**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 1.04.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ১-০৪-২০২৪, নিংথৌকাবা )**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙান্বম ঙন্থোইনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মনিপুরদা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহনখিবগী মতাংদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ৱারি শান্নখ্রে। কেন্দ্রগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেংশিং পীগনি হায়না থাজবা পীরকখ্রে।

২) বি.জে.পিনা হায়রি- মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা হায়বসি দলগী ফিরেপনি।

৩) কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবিনা হায়রি - লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা মীয়ামা সংসদতা রাজ্য অসিগী মীয়ামা পাল্লিবা অনিংবা অপম্বশিং নিংথীনা ফোংদোকপা ঙমগদবা অচুম্বা মীহুৎ অদু খল্লসি ।

৪) লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা বি.জে.পি ইলেক্সন মেনিফেস্তো কম্মীতিগী মীফম অমা ন্যু দিল্লিদা লৈবা দল অসিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

**অমসুং**

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি - লৈবাক অসিনা লাক্লিবা চহি ১০ গী মনুংদা শেন্মীৎলোনগী লমদা মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনগদবনি।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**অমিটঃ** মনিপুরদা হন্দক অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইদুনা য়ুম য়াওনা অমাং অতা কয়া থোকখিবা অদুগী মতাংদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগা ঙসি ৱারি শান্নখ্রে। ৱারি শান্নবা অদুদা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকখ্রবা মনিপুরদা কেন্দ্রগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেংশিং পীগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি। মসিগা লোয়ননা গৃহ মন্ত্রিনা নোংলৈ নুংশিৎনা মাংহন - তাকহনখিবা অদুদা নুংঙাইতবা ফোংদোক্লদুনা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংশিংগী মফমদা অৱাবা ফোংদোকখি। লোয়ননা শোকপদগী লায়েংদুনা লৈরিবা মীওইশিংসু অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়না ফোংদোকখি।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রিনা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহনখ্রবা ৱেষ্ট বেঙ্গোল অমসুং অসামগী মুখ্য মন্ত্রিগসু ঙসি ৱারি শান্নদুনা রাজ্যশিং অদুদা কেন্দ্রগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়না থাজবা ফোংদোকখি হায়রি। পনবা য়াবদি মনিপুরদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎকা লোয়ননা অখাক অরাও তৌবদা ঙরাং চহি ১০ শুরবা নুপামচা অমা লম্ফেলদা ব্রজা তাবদগী লৈখিদবনি। মসিগা লোয়ননা থৌবাল জিলা য়াওনা মফম খরদা নোংলৈ নুংশিৎনা য়ুমকৈ হুমদোকখি, মহৈ মরোং অমাং অতা থোকহনখি।

**ইম্ফাল ইষ্ট(এল)ঃ** লাক্লিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ই.বি.এম অমসুং ভি.ভি.পেদ রেন্দমাইজেসন থা অসিগী ৫ দা লম্ফেল পাৎতা লৈবা দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সকী কোন্বীরৈ হোলদা পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা ই.বি.এম অমসুং ভি.ভি.পেদশিং অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চননা লৈবা বিধনা সভা কেন্দ্র ১০ গী পোল্লিং ষ্টেসনদা শিজিন্ননবনি। রেন্দমাইজেসন অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা শক খঙল্লবা নেসনেল অমসুং ষ্টেতকী রাজনিতি দলশিং অমদি মরী লৈনবা মীরেপশিংনা শরুক য়ারনবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি ।

**ফোর্ম(এল)ঃ** লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা রিলিফ কেম্পতা লৈতবা অদুবু খঙনা চান্নবা মরি মতাশিংগী যুমদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংনা স্পিসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা ভোট থাদনবগীদমক আইদেন্তিতি ফোর্ম মরী লৈনবা এসিস্তেন রিটর্নিং ওফিসরশিংদা থা অসিগী ৯ ফাওবগী মনুংদা পীশিন্নবা খঙহল্লি।

ইন্নর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী ভোতরশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দি.সিগী গ্রাউন্দ ফ্লোরগী রুম নম্বর এফ-থ্রিদা মেনশিল্লবা আইদি ফোর্ম পীশিনগদবনি। আউতর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দি.সি ওফিইকী ফার্ষ্ট ফ্লোর রুম নম্বর ১৪ দা লৈবা এসিস্তেন রিটর্নিং ওফিসরদা মেনশিল্লবা আই.দি ফোর্ম পীশিনগদবনি।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর ইম্ফাল ৱেষ্টনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- আই.দি ফোর্মশিং ৱেব সাইট ঐচ.টি.টি.পি.এস দবল স্লাস ইম্ফাল ৱেষ্ট দোট এন.আই.সি দোট ইনদগী দাউন্দলোদ তৌবা য়াগনি।

**জিরি(এল)ঃ** লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা পোস্তেল বেলোট নত্রগা ইলেক্সন দ্যুতি সার্তিফিকেটকী খুদোংচাবা লৌনিংবা জিরিবাম জিলাদা লৈবা মীওইশিং মরুওইনা মীখলগী মথৌ পাঙথোক্কদবা পোল্লিং পরসনেলশিংনা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মীস্নরদগী ঙসিদগী হৌরগা ফোর্ম লৌবা য়ারে। জিলা অসিগী ইন্নর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী ভোটর লিস্ততা চনবা মীখলগী মথৌ পাঙথোক্কদবা পোল্লিং পরসনেলশিংনা মেনশিল্লবা ফোর্ম ত্বেলফ জিলা অসিগী দি.সি ওফিসতা থা অসিগী ৬ অমসুং ৭ ফাওবগী মনুংদা পীশিনগদবনি। অদুগা আউতর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী ভোতর লিস্তা চনবা পোল্লিং পরসনেলশিংনা মেনশিল্লবা ফোর্ম ত্বেলফ অমসুং ফোর্ম ত্বেলফ-এ অদু জিলা অসিগী দি.সি ওফিসতা থা অসিগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা পীশিনগদবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর জিরিবামনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি ।

**তেংনৌপল(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর তেংনৌপলনা শিন্দুনা ঙসি জিলা অসিগী খাংশিম ভিলেজ অমসুং আইমোল এরিয়াদা সিস্তিমেতিক ভোটরস ইদুকেসন এন্দ ইলেক্তোরেল পার্টিসিপেসন (স্বিপ)কী কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে। মফম অদুগী মীওইশিং মরুওইনা নহা ওইরিবা ভোতরশিংনা কেম্পেইন অদুদা শরুক য়াখি।

অমরোমদা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী পুলিস ওফিসরশিংগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ত্রেনিংসু চান্দেল জিলাগী এস.পি ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** ওল অসাম মনিপুর য়ুথ এসোসিয়েসন, ৱিমেন এক্সন কম্মীতি ফোর ভিলেজ প্রোতেক্সন, মনিপুর য়ুথ ফ্রন্ট ওফ অসাম হুইয়েন মমোম, কাছার য়ুনিটকী মীওইশিং য়াওনা ঙরাং অসামগী বেনাকান্দি পার্ট-২ দা লৈবা সাউথ বরাক হোলদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা হৌজিক মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা অসামদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সি.এস.ও অমদি লুপ কয়ানসু হরাও কুম্মৗ তৌদনবা হায়না লেপখি।

**থৌবাল(এল)ঃ** থা অসিগী ১৯ অমসুং ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী আউতর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী জেনরেল ওবর্জভর অমসুং এক্সপেন্দিচর ওবজার্ভরশিংগা মীখল অসিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা অমদি রাজনিতি দলশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি আউতর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী রিটর্নিং ওফিসরসু ওইরিবা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মীস্নরগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা মনিপুরগী লোক সভা কেন্দ্র অনিমক্কী জেনরেল ওবর্জভর , পুলিস ওবজার্ভর অমসুং এক্সপেন্দিচর ওবজার্ভর ওইনা লাকখিবশিংনা হন্দক্কী মীখল অসি হিংশা য়াওদনা শান্তি ওইনা পাঙথোকবা হোৎনবদা মীয়ামা মতেং পাংবিনবা আপিল তৌখি।

লোয়ননা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক ঙাকা চৎনবা সেক্যুরিতি অমদি এক্সপেন্দিচর কন্ট্রোল তৌনবা মরী লৈনবশিংদা পাউতাক পীখি। মীখল অদুদা ওবজার্ভরশিং, আউতর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী রিটর্নিং ওফিসর, থৌবাল জিলাগী এস.পি, এ.আর.ওশিং, এ.দি.এম অমসুং এস.দি.ওশিং শরুক য়াখি।

**কেম্পেইন(এল)ঃ** লাক্কদৌরবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরনা শিন্দুনা জিলা অসিগী লমলোং বজারদা সিগনেচর কেম্পেইন অমা পাঙথোকখ্রে।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**বি.জে.পি(এল)ঃ** বি.জে.পিনা হায়রি- মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা হায়বসি বি.জে.পিগী ফিরেপনি।

ইম্ফালদা লৈবা থম্বাল শংলেন্দা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী মচিন চৎপা মীশক অমসুং এল.দি.এগী চিয়রমেন এম.অসিনি কুমারনা হায়- মনিপুরগী মীয়ামগী ইহুন খঙনা ইরাং অসি লোইশিন্দুনা ৱারোইশিন পুরকপা হায়বসি দল অসিগী অপাম্বনি।

মহাকা হায়- মীখলগী মতমদা অমনা অমবু হুন্নদুনা প্রজাশিংদা অপংবা শিবগী থবক তোক্লসি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা তুং কোইনা শান্তি পুরকবগীদমক হিরম খুদিংমক চেকশিননা থবক তৌবগী তঙাই ফদে। রাজ্য অসিগী মীয়ামা শান্তি পাম্মী হায়বসি মীপুম খুদিংমা খঙনরবা ঙাক্তনি । লমদম অসিদা মহৌশাগুম শান্তি হঞ্জিলহন্দুনা ইং তপ্পা লমদম অমা ওইহনবা হায়বসি দল অসিগী অপম্বনি।

**--মহাকা হায়-সাউন্দ অসিনি--**

**কংগ্রেস(এল)ঃ** কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবিনা হায়রি - লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিদা মীয়ামা মখোয়গী ভোট য়োন্থোকপগী মহুত্তা সংসদতা রাজ্য অসিগী মীয়ামা পাল্লিবা অনিংবশিং ফোংদোকপা ঙমগদবা অচুম্বা মীহুৎ অদু খল্লসি ।

ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা হান্নগী য়াইস্কুল কেন্দ্রগী এম.এল.এ এলাংবম চান্দ, ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগী হান্নগী মীরেপ শগোলশেম অচৌবা, ওইনাম কেন্দ্রদগী এদভোকেট ওইনাম হেমন্তা অমদি জিরিবামদগী থৌদাম দেবদতা কংগ্রেসতা য়াওরকপদা মখোয়বু ওকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবা শ্রী ইবোবিনা হায়- বেলোট পেপর হায়বসি মীয়ামগী অনিংবা -আপম্বা অদু নিংথিনা ফোংদোকবগী অফবা খুৎলায় অমনি। সংবিধাননা পীবা তাংলবা চহি ৫-৫গী ভোট থাদবগী অধিকর অসি মীয়ামা শেল খরগীদমক য়োন্থোকপগী মহুৎতা অচুম্বা মীহুৎ অদু খন্নবা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ ইবোবি--**

**সি.পি.আই(এল)ঃ** কম্ম্যুনিস্ত পার্টি ওফ ইন্দিয়া উরিপোক লোকেল কাউন্সিলগী ৪৩ শুবা লোকেল কনফরেন্স ঙরাং উরিপোক অচোম লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা উরিপোক কেন্দ্রদা সরকারনা থকবা তোতি ঈশিং নিংথিনা ফংহন্নবা,নপশাগী চেং মতম চানা ফংহন্নবা , লৈঙাক্কী স্কুলশিং হিংগৎহন্নবা অমদি এম.জি.এম.আর.ই.জি.এস স্কিম সহরগী মফমশিংদসু চৎনহন্নবা ৱাফমশিং য়াওবা দাবীশিং তকশিন্নবা ৱারেপ লৌখি।

মীফম অদুনা এস.গোপেস্বর শর্ম্মবু লোকেল কাউন্সিল অসিগী সেক্রেটরি ওইনবা খনখি।

**এ.আর(এল)ঃ** অসাম রাইফলস অমদি মনিপুর পুলিসকী অপুনবা খুৎপু অমনা ঙরাং লম্কেলগী এরিয়াদা থীবা হুম্গী থবক চথবদা মীওই অনিদগী সোট গন অমা , পিস্তোল অনি য়াওনা খুৎলায় খরা ফাগৎলে হায়রি। অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা কামজোং জিলাগী নম্পীশাদা লৈবা কম্পানি ওপরেতিং বেজতা এ.আরগী কম্মান্দর অমদি তোঙান তোঙানবা খুলশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা লমদম অদোমদা শান্তি থমবগ মতাংদা ৱারি ৱাতাই শান্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মৈতি, গ্রিহাং অমসুং নম্পীশা খুলগী খুঞ্জাশিংসু শরুক য়াখি হায়না আসম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লি।।

**বিষ্ণুপুর(এল)ঃ** মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল)না শিন্দুনা মোইরাং কলেজদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা ঐখোয়গী অনৌবা লাংঙোনগী ভোট হায়বা হিরমদা করম্বা মীওইশিংদা ভোট পীগনি হায়বগী মতাংদা খন্না নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা অখণ্ড অহে কয়ানা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংনা মীখল শান্তি ওইনা অমসুং নিয়ম চুমা পাঙথোকবা হোৎনবদা করি থৌদাং লৌগদগে হায়বগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**বি.জে.পিঃ** লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা বি.জে.পি ইলেক্সন মেনিফেস্তো কম্মীতিগী মীফম অমা ন্যু দিল্লিদা লৈবা দল অসিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীওই ২৭ না শাবা মেনিফেস্তো কম্মীতিগী মীফম অসি বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা রাজনাথ সিংহনা লুচিংদুনা পাঙথোকপনি অমসুং হন্দক্কী মীফম অসিনা কম্মীতি অসিগী অহানবা মীফমনি। কেন্দ্রগী মন্ত্রিসু ওইরিবা দলগী লুচিংবা নিরমালা সিটারমননা কনভেন্নর অমসুং পিয়ুস গোয়লনা কম্মীতি অসিগী কোকনভেন্নর ওইরি ।

মরক অসিদা, কংগ্রেসকী সেন্ত্রেল ইলেক্সন কম্মীতিগী মীফম অমসু ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিনা লোক সভা মীখলদা তেলঙ্গানাগী মীরেপ ওইগদবশিংগী মীং লাউথোকবা খন্নখি । কংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবা মালিক অরজন্ খরগে , নোনিয়া গান্ধি, তেলঙ্গানাগী চিফ মিনিস্তর রিবানাথ রেদ্দিনচিংবা লুচিংবশিং মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

**আরবিআইঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি - মালেমদা মতম মতমগী ওইনা থোরকপা তোঙান তোঙানবা সমস্যাশিংনা মরম ওইদুনা ভারত্তা পীবা চৈথেং অসি কোকনবা লৈবাক অসিনা লাক্লিবা চহি ১০ গী মনুংদা শেন্মীৎলোনগী লমদা মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনগদবনি।

রিভার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া(আর.বি.আই)লিংখৎখিবগী ৯০ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা ঙসি মুম্বাইদা পাঙথোকপা থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়-হৌখিবা চহি কয়াদগী লৈবাক অসিগী বেঙ্কীং সেক্তরদা অচৌবা অহোংবা লাক্লি। সরকার অমদি আর.বি.আইননা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎপদগী বেঙ্কীং সেক্তর অসি ঙসিদি শেন্থোক লৈবগা লোয়ননা মীয়ামা শেল তুংশিনবগী চাং হেনগৎলক্লি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা পব্লিক সেক্তর অন্দর তেক্কীংদা লৈবা বেঙ্কশিং হিংগৎনবা অমদি মথৌ নিংথানা তৌন্নবা সরকারনা লুপা কোতি লাখ ৩ মখায়গী শেনফম থাদখ্রে। মসিগা লোয়ননা নন-পরফোর্ম্মীং এসেটতা লৈরম্বা পব্লিক সেক্তরশিং ইং ২০১৮ দা চাদা ১১.২৫ চাংদা লৈরম্বা অদু মমাং চহিগী সেপ্তেম্বর থাদা চাদা ৩ গী মখাদা লৈরে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী শেলথুম মন্ত্রি নিরমালা সিটারামন, কেন্দ্রগী রাজ্য শেন থুম মন্ত্রি ভাগৱট কিষন রাও কারক অমসুং পাঙকস চৌধুরিসু ,আর.বি.আইগী গোভর্নর শক্তিকানদাসনচিংবা শরুক য়াখি।

**য়ুনিয়নঃ** মালেমদা অনৌবা তেকোলোজি কয়া পুথোরকপদগী ঙাকশেলগী লমদা শিংনবা কয়া লাক্লিবা অসিদগী চেকশিন্নবা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি অজয় কুমার ভালানা ফোংদোকখ্রে। ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা ব্যুরো ওফ সিভিল এভিয়েসন সার্ভিসেস ৩৮ শুবা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরমদা শ্রী ভালানা হায়- ঙসি মালেমদা আর্টিফিসিয়েল ইন্তিলিজেন্স(এ.আই) গ্লোবেল পোজিসন্নীং সিষ্টেম (জি.পি.এস)জাম্মীং, দ্রোন অমসুং সাইবর থ্রেটনচিংবা অনৌবা তেকোলোজিশিং অসিনা লম কয়াদা য়ামা খুদোংচাদবা পীরি। অসিগুম্বা ঙাকশেলগী লমদা পীরক্লিবা শিংনবশিং অসি ঙাকথোকবা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী তঙাই ফদবা লৈ অমদি ব্যুরো ওফ সিভিল এভিয়েসন সার্ভিসেসনসু মতমগা চুন্নবা তেকোলোজিশিং অসি নিংথিনা খঙবা মথৌ তাই হায়না সেক্রেটরি অসিনা ফোংদোকখি।

**মাওইস্ত ঃ** ছাতিসঘরগী বাস্তর দিভিজনগী মনুং চনবা সুকামা জিলাদা ঙসি থোকখিবা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা মাওইস্ত অমা শীখ্রে। কোব্রা বত্তালিয়ন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্দ অনিগী অপুনবা খুৎপু অমগা তেদমারদু এরিয়দা মাওইস্তশিংগা খুৎথোকখি। মদুদা মাওইস্ত অমা হাৎখি অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎপা ঙমখি।

## --অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --

১)  মনিপুরদা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহনখিবগী মতাংদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ৱারি শান্নখ্রে। কেন্দ্রগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেংশিং পীগনি হায়না থাজবা পীরকখ্রে।

২) বি.জে.পিনা হায়রি- মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা হায়বসি দলগী ফিরেপনি।

৩)  কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবিনা হায়রি - লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা মীয়ামা সংসদতা রাজ্য অসিগী মীয়ামা পাল্লিবা অনিংবা অপম্বশিং নিংথীনা ফোংদোকপা ঙমগদবা অচুম্বা মীহুৎ অদু খল্লসি ।

৪)  লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা বি.জে.পি ইলেক্সন মেনিফেস্তো কম্মীতিগী মীফম অমা ন্যু দিল্লিদা লৈবা দল অসিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

## অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি - লৈবাক অসিনা লাক্লিবা চহি ১০ গী মনুংদা শেন্মাৎলোনগী লমদা মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনগদবনি।

## --- পাউ লোইজরে---